# ফাইনেলদা হোক্কি হরয়ানা অমসুং হোক্কি এসোসিএশন ওফ ওড়িষা লম্বা তৌনরগনি

**জলনধর, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):** হোক্কি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা পঞ্জাবনা যুম্বু ওইদুনা জলনধরদা চত্থরকখিবা ১৫ রক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া জুনিয়র মেন নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা হোক্কি হরয়ানা অমসুং হোক্কি এসোসিএশন ওফ ওড়িষা মায় পাক্তুনা ফাইনেল থেংননবগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।



চত্থরকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ হোক্কি হরয়ানা অমসুং উট্টর প্রদেশ হোক্কিগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী হোক্কি হরয়ানা শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা ক্বার্টরগী হৌগৎলকপা ৩ শুবা মিনিটতা হোক্কি হরয়ানাগী নিটিননা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবগা লোয়ননা অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখিবনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হোক্কি হরয়ানানা পাঞ্জল ১-০দা অদুম্মক মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনসু টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ৪৭ শুবা মিনটতা হোক্কি হরয়ানানা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুগা ৫৪ শুবা মিনটতা নিটিননা মহাক্কী অনীশুবা অদুগা টিমগীনা অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবা উট্টর প্রদেশ হোক্কিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু হোক্কি হরয়ানানা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাক্তুনা অহানবা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা টিম ওইখিবনি।

হোক্কি এসোসিএশন ওফ ওড়িষা অমসুং হোক্কি পঞ্জাবকী মরক্তা শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচকী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু মায় পাক্লবগীদমক মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্তুনা শান্নখি।

টিম অনীমক্না মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্লদুনা শান্নরবসু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা হোক্কি এসোসিএশন ওফ ওড়িষানা হোক্কি পঞ্জাবপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। হোক্কি এসোসিএশন ওফ ওড়িষাগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ১, ১৫ শুবা মিনটতা প্রতাপ টোপোনা অনী অদুগা ৫৮ শুবা মিনটতা কারন লাক্রানা অমা চনখিবনি। অদুগা হোক্কি পঞ্জাবকী পাঞ্জল অনী অদুনা গুরুসেৱক অমসুং মনমিট সিংহনা অমমম চনখিবনি।

# ৱিমেন্স এসিয়া কপ ২০২৫দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপী স্কৱাদ লাউথোকখ্রে

**ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):** চাইনানা যুম্বু ওইদুনা মথং থাগী ৫দগী হৌরগা ১৪ ফাওবা হাংঝৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন্স এসিয়া কপ ২০২৫দা শরুক য়াগদবা মীওই ২০না শাবা ইন্দিয়া ৱিমেন্স হোক্কি টিমগী স্কৱাদ হোক্কি ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হোক্কি ইন্দিয়া টিমগী ওইনদি য়াম্না মরু ওইরি। মরমদি ৱিমেন্স এসিয়া কপকী ৱিন্নরদু এফ ই ঐচ ৱিমেন্স হোক্কি ৱর্ল্ড কপ ২০২৬তা দাইরেক্ট ক্বালিফিকেসন ফংগদৌরিবনি অমদি ইন্দিয়ানা মসিদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি।

চাইনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন্স এসিয়া কপ্তা ইন্দিয়ানা পুল বিদা জপান, থাইলেন্দ অমসুং সিঙ্গাপোরগা লৈমীন্নরি। হৌদোকপা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দগা লম্বা তৌনগনি। মদুগী মতুং সেপ্টেম্বর ৬তা জপান অদুগা সেপ্টেম্বর ৮দা অরোয়বা পুল ষ্টেজ মেটচ ওইনা সিঙ্গাপোরগা লম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি সলিমা টেটৈনা লুচিংলি। টিম অসিদা অরিবা অমদি অনৌবা শান্নরোয়শিং য়াওরি। মসিনা মরম ওইরগা টিম অসিগী মপাঙ্গল হান্নদগী হেন্না কনখৎলগনি হায়না ইন্দিয়ান ৱিমেন্স টিমগী চিফ কোচ হরেন্দর সিংহনা ফোঙদোরক্লি।



ইন্দিয়া টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোল কিপরশিংদা বিচু খরিবম অমসুং বন্সারি সোলঙ্কিনি। দিফেন্দরশিংদা য়াওরিবশিংনা মনিসা চৌহান, উদিতা, জ্যোতি, সুমন থৌদাম, নিকি প্রধান অমসুং ইসিকা চৌধরিনি। মিদফিল্ডরদা য়াওরিবশিংনা নেহা, বৈস্নবি বিথল ফালকে, সলিমা টেটে, সরমিলা দেবী, লানরেনসিয়ামি অমসুং সুনরিতা টোপোনি। ফোৰ্ৱাদতা য়াওরিবশিংনা নভনিট কৌর, রুতাদা দদাসো পিসাল, ব্যুটি দুংদুং, মমতাজ খান, দিপিকা অমসুং সঙ্গিতা কুমারিনি।

ইন্দিয়া ৱিমেন্স হোক্কি টিমগী স্কৱাদ লাউথোকখ্রবা মতুং চীফ কোচ হরেন্দরনা ফোঙদোকখিবদা হাংঝৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন্স এসিয়া কপ অসিগীদমক ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা মতম শাংনা ট্রেনিং তৌদুনা লাক্লি। অমদি টিম অসিদা মথৌনা লৈবী হৈশিংলবী শান্নরোয় খরা নৌনা য়াওরি। ঐখোয়গী টিমনা এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা হোক্কি টিম ওইবা ঙম্নবা পান্দম থমদুনা লাক্লি।

ৱিমেন্স এসিয়া কপ অসি কন্টিনেন্টেল অসিগী লেমজনিংঙাই ওইরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইবগা লোয়ননা এফ আই ঐচ ৱিমেন্স হোক্কি ৱর্ল্ড কপ ২০২৬কী দাইরেক্ট ক্বালিফয়িং ইভেন্ট অমসু ওইরিবনি। করিগুম্বা ঐখোয়না এসিয়া কপ অসি মায় পাকপা ঙম্লবদি মরোমদোম ৱর্ল্ড কপকীদমক ফিদা অমা কন্দুনা লৈরগনি অমদি ঐখোয়গী টিমনা শোয়দনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়বগী চাওনা থাজবসু লৈ হায়খি।

টিম কেপ্টেন সলিমা টেটৈনা ফোঙদোকখিবদা টিম অসিদা অরিবা অমদি অনৌবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অনৌবা মরী অমা থম্বা ঙল্লে। অমদি অনীমক্কী অপুনবা পাঙ্গলনা মায় পাক্লবা হোৎনগনি হায়খি।

# এম এন সী (এ) নিংথেম্বমনা এল ই সী (বি) বাবুপড়া মায়থীবা পীখ্রে




**জিরিবাম, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএশন জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবামগী বাবুপড়াদা লৈবা লমলেন কম্ম্যুনিটি হোল কম কাংশঙদা জিরিবাম, কছার অমদি হৈলাকান্দিদগী লাকখিবা কাংখুৎ ২১না শরুক য়াদুনা চত্থরকখিবা ১৫ রক শুবা লেট আর কে লালা সনা মেমোরিএল মিক্স কাং টুর্নামেন্ট ২০২৫গী শান্নখিবা লিগ রাউন্দগী মেটচ অমদা এম এন সী (এ) নিংথেম্বমনা এল ই সী (বি) বাবুপড়াবু পাঞ্জল ৬-৫দা মায়থীবা পীখ্রে।

এম এন সী (এ) নিংথেম্বম অমসুং এল ই সী (বি) বাবুপড়াগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এম এন সী (এ) নিংথেম্বমনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা এল ই সী (বি) বাবুপড়ানা কাং কাপ্তুনা কাং শান্নবা হৌখি।

অহানবা হাফতা এল ই সী (বি) বাবুপড়ানা এম এন সী (এ) নিংথেম্বমদগী পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফতা কাংখুৎ অনীমক্না অকনবা মওংদা কাং কাপ্নদুনা শান্নখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা এম এন সী (এ) নিংথেম্বমনা এল ই সী (বি) বাবুপড়াবু পাঞ্জল ৬-৫দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

# নেশনল বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস):** চহী অসিগী ওক্টোবর ৪দগী হৌরগা ১০ ফাওবা চত্থগদৌরিবা ৫০ রক শুবা সব জুনিয়র নেশনল বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদবা ষ্টেটসব জুনিয়র (বোইজ) টিমদা য়াওগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে হায়না মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএশনগী চেরোল অমনা হায়রি।

উট্টরখন্দনা যুম্বু ওইদুনা ধেরাদুনদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেশনল বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুর টিম রিপ্রজেন্ট তৌনবগীদমক খনখ্রবশিং অদু থিয়াম বিলগেট, প্রিয়ান্স পোৎশংবম, বারুন ওক্রম, লাইশ্রম ইরাবন্ত, নিংঙোম্বম রাথোর, থোকচোম গিসন, নাওরেম লনচেনবা, নেলসন অসেম, ৱাহেংবম খাবা, অচোম ফিনিক্স, এন্দরসন কৈথেললাকপম, এল তোমথিনঙানবা, চোংথাম এদি, গুরুঅরিবম রোনাল্ড, মঙালসনা রাজকুমার, সিজগুরুময়ুম ব্রোন্সন, গেরিস ক্ষেত্রিময়ুম, ফুরাইলাৎপম অন্সুমন, চোংথাম চিতন অমসুং মোইরাংথেম তেলহৈবনি।

# অসমিটা ৱিমেন ৱেথলিফটিং লিগ পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ৱেথলিফটিং এসোসিএশননা শীন্দুনা ইম্ফাল সিটিগী তোঙান তোঙানবা মফম অনী হায়বদি সাই-এন সী ও ই তাকয়েলপাৎ ইম্ফাল অমসুং ইবুধৌ খপ্লাংবা কম্ম্যুনিটি হোল নোংপোক ককচিংদা অসমিটা ৱিমেন ৱেথলিফটিং লিগ ২০২৫-২৬ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ইন্দিয়ান ৱেথলিফটিং ফেদরেশনগী মীৎয়েং মখাদা হায়রিবা ৱেথলিফটিং লিগ অসি চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৭তগী হৌরগা ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মরম অদুনা কম্পিটিটরশিং অমদি টৈক্নিকেল ওফিসলশিংনা মণিপুর ৱেথলিফটিং এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরি এস ব্রোজেন্দ্রোদা পাউ ফাউরক্নবা খঙহল্লক্লি।

# মণিপুরগী জিক্সন অমসুং মহেস য়াওনা অনৱার ইন্দিয়া কেম্পতা য়াওখ্রে

**চেন্নাই, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):** সী এ এফ এ নেসন্স কপ কেম্পেইনগী মাঙওইননা হৌজিক চত্থরিবা ইন্দিয়ান মেন্স নেশনল টিমগী কেম্পতা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয় অহুম অনৱার অলি, জিক্সন অমদি নাওরেম মহেস য়াওশিনখ্রে হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)কী মায়কৈদগী ঙসি ফোর্মেল ওইনা ফোঙদোরকখ্রে।



কোলকটাগী ক্লব অমা ওইরিবা ইষ্ট বেঙ্গলদগী মখোয় অহুম খলিদ জমিলগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্লিবা কেম্প অদুদা ঙরাং য়াওখিবনি। এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দুরান্দ কপ ২০২৫গী সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা দাইমন্দ হার্বরগী মখুৎতা মায়থীবা নঙখ্রবা মতুং মখোয় অহুম ইন্দিয়া টিম অসিদা য়াওরকখিবনি।

এ আই এফ এফনা ইন্দিয়ান সুপর লিগ (আই এস এল)কী লৈরিবা ক্লব খুদিংমক্না হৌজিক চত্থরিবা নেশনল কেম্প অসিদা মপুং ফানা মতেং পীনবা অমদি মখোয়গী শান্নরোয়শিং থাদোরক্নবা খঙহল্লকখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিমগী অনৌবা কোচ ওইনা খলিক জমিল ওইখ্রবা মতুং বেঙ্গলুরুদা নেশনল কেম্প চত্থরকখিবনি। নেশনল কেম্প অসি থা অসিগী ২৫ ফাওবা চত্থগনি। মসিগী মথক্তা জমসেদপুর এফ সীনা মখোয়গী কোচ খালিদ জমিলবু রিলিজ তৌরকপগীদমক এ আই এফ এফনা থাগৎপা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ফেদরেশন অসিগী চেরোল অমনা হায়, নেশনল ইন্টরেষ্টতা জমসেদপুর এফ সীনা লৌখিবা ফীরেপ অসি পুক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। লৈরিবা ফুটবোলবু পামজবা খুদিংমক্না নেশনল টিমবু মপাঙ্গল কলহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংবিয়ু। মরুওইনা ক্লবশিং মখোয়গী শান্নরোয়শিংবু ফাজিন্দুনা থন্বীগনু হায়না অপিল তৌরক্লি।

# য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লিগঃ বাসেল অমসুং কোপেনহেগেন দ্রো চংখ্রে

**বাসেল, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী):** য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লিগকী ওইনা ঙরাং শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা বাসেল অমসুং কোপেনহেগেন মান্নবা পাঞ্জলশিং চন্নদুনা দ্রো চংখ্রে।

স্বিটজর্লেন্দদা লৈবা সেন্ট জেকোব পার্ক ষ্টেদিয়মদা বাসেল অমসুং কোপেনহেগেনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা কোপেনহেগেননা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা কোপেনহেগেননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৫ ওইখিবা মতমদা বাসেলনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৫ ওইখি।

কোপেনহেগেননা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লবসু পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবদি লৌবা ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ১৪ শুবা মিনটতা বাসেলগী ওইনা পেনালটি কাওনবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় হেরদান সাকিরিনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা কোপেনহেগেনগী গেব্রিয়েল পেরৈরানা ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্না মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্তুনা শান্নখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না মখা তাবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চংখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1571**

**IM Sadig Mammadov (2128) - GM Maxime Lagarde (2502)**
**Freestyle Friday Chess.com (1), 2025.06.20**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 | 5.Ng3 e6 |
| 6.O-O Ng6 | 7.Bg5 a6 | 8.c4 Ba7 | 9.b3 Qb8 | 10.Bxf6 gxf6 |
| 11.Nh5 Bd7 | 12.Nxf6+ Ke7 | 13.Nf5+ exf5 | 14.Nd5+ Ke8 | 15.Nf6+ Ke7 |
| 16.Nd5+ Ke8 | 17.Qf6 Be6 | 18. ... | | |

**QUESTION : White to checkmate**

**Puzzle 1570 Solution :**

**22. Ba5** *The white bishop attacks Black's rook, which is defending the square d6.* **Rxc5 23. Qxc5** *The white queen captures Black's rook, which was defending the square c8 and the square c7.* **Re8** *Blocking square e8.*

*23...Nxd4 24.Qxd4 Qxd4 25.Nxd4 Rxd4 26.Rc8+ Rd8 27.Rxd8#*

*23...Nh4 24.Qc8 Nxf3+ 25.gxf3 Qg6+ 26.Kf1 Qd3+ 27.Ke1 Rf8 28.Bb4 h6 29.Qxf8+*

*23...Rf8 24.Bb4 Rd8 25.Qc7 Re8 26.Qc8 g6 27.Qxe8+*

**24. Qc8 Kf8**

*24...Bc6 25.Qxc6 Qxc6 26.Rxc6*

*24...h6 25.Qxe8+*

*24...Rf8 25.Bb4 h6 26.Qxf8+*

*24...Rxc8 25.Rxc8#*

**25. Bb4+ Ne7**

*25...Nd6 26.Bxd6+*

*25...Kg8 26.Qxe8#*

**26. Bxe7+** *The white bishop trades and lures Black's king to the square e7.* **Kxe7 27.Qc5+ Kd7**

*27...Kd8 28.Qd6#*

**28.Qd6#**

*28.Qc7# Swallow's tail mate*

**1-0**







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com